## কংলা উত্রা মমাঙদা ঙসি থৌনিগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা লৈখোং লৈরাই কায়দুনা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীয়ামদা অৱা-অনা তাহনখ্রবা মতুংদা লায়না লায়চৎ লাক্কদবদগী ঙাকথোক্নবগীদমক লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা ইদুনা থম্বীরম্বগী মতুংইন্না ইবুধৌ পাখংবদা থৌনিবগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পূং ১০.৩০ রোম তাবদা কংলাগী উত্রা মমাঙদা পাঙথোক্কদৌরি।

ইন্টরনেসনেল মণিপুর মাদর এসোসিএসন (আই এম এম এ) অমদি অখঙ-অহৈ মাইবা য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াবীনবা আই এম এম এগী প্রসিদেন্ট খুমন লৈমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু লিটর ৬০ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পূং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা ৱাংজিং হোদাম্বা লৈকাই এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা নুপা অমা য়ুঙৌ লিটর ৬০ গা কোন্ননা ফারে হায়রি। পুলিসনা য়ুগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা আর কে চিংলেনসনা (৩২) অপোকপা আর কে সনাহল কৌই। মহাক ৱাংজিং হোদাম্বা লৈকাইদা লৈবনি হায়রি।

পুলিসনা য়ুগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদু থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা থৌবাল পুলিসনা অমুক য়ুগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু এক্সাইজ ডিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# হোম গার্দ পার্সনেল নুপী ৪ ফাজিনখ্রবা মতুংদা নুপা ৫ না অমুক চরা হেনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফ্যের এসোসিয়েসননা মখোয়গী ওনরিয়ম মতমগা চূনবা মওংদা ফংহল্লু হায়দুনা শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চথরকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ২৮ নি রোম শুখ্রে। অদুবু মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফ্যের এসোসিএসনগা ৱারী শানদুনা ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি।



চরা হেনবগী খোঙজং চথরম্বা নুপী মরি থা অসিগী ১৪ গী অহিং নোংয়াইদা লম্ফেল পুলিসকী টিম অমনা নমদুনা লৌখৎলগা রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। মদুগী মতুংদা ১২শুবা ফেজদা নুপা মঙানা অমুক চরা হেনবগী খোঙজং মখা তানা চথুরি।

মখোয়শিং অদুদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ময়ায় খুলদগী রোবিন জয়ো (৫৪), হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মন্ত্রিপুখ্রি এ টি লাইনদগী হসতা বহাদুর গুরুং (৫০), বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কৈনৌদগী এল ব্রোজেন (৪০), কামজোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কামজোং খুলদগী হোলিসন তাঙ্খুল (৪০) অমসুং লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দগী এম চন্দ্রশেখর (৪০) নি।

চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর লৈঙাক্না মখোয়গী দিমান্দ অসি পীবিগে হায়রবা পীবিরো নৎত্রগা পীবা ঙম্লোই হায়রগা হোম গার্দ অসি মুথৎপীরো হায়খি।

মতম শাংনা হোম গার্দতা থবক তৌজরক্লবা শিন্মীশিংবু মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি ফাওবা মীরাইবীদুনা থম্বীবসি য়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। হৌজিক্কী মতমদা লুপা ৫০০০ না হোম গার্দ পার্সনেল অমগী ইমুং পুবদা করি ওইরমগনি হায়বদু মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্ট অমদি মণিপুর হায় কোর্টনসু হোম গার্দকী দিমান্দ অসি মরম চায় হায়দুনা মখোয়গী ওনরিয়ম অসি লৈঙাক্না মতমগা চূনবা মওংদা ফংহন্নবা ওর্দর তাখ্রবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা নমশিন্দুনা থম্বীরি।

মরম অদুনা হোম গার্দ পার্সনেলশিংনা হৌজিক চথুরিবা খোঙজং অসি হেন্না কনবা মওংদা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা চরা হেল্লিবশিংবু শিরবসু শিজগে পুলিসনা ফাবা লাকপীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ : থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা থৌবালগী রিক্রিএসন হোলদা ঙসি মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী দেপ্যুটি এস পি (ওপস) সচিদানন্দ, কম্মান্দোগী দি এস পি সদানন্দ, কম্মান্দোগী ও সী, ৱাই প্রেমজিৎ অমদি ইন্সপেক্টর সদানন্দ, রিজার্ভ লাইনগী ইন্সপেক্টর দেবেন্দ্রোনচিংবা হায়রিবা মীয়ামগী নুমিৎ অদুদা শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা হৌজিক মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অৱাবশিং অমসুং থোক্লিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা পুখৎতুনা পুলিসকা পুন্না ৱারী শানখি হায়রি।

# চহীসিগী জান্যুৱারীদগী জুলাই ফাওবদা মণিপুরদা চিংনবা মীশিদা নুপী ১২ শিখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদগী জুলাই থা ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা নুপীদা ওৎ-নৈবা অমদি চিংনবা মীশিদা লৈখিদবা মীওই ১২ রোম শুখ্রে।

প্রেসনা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, হৌখিবা জান্যুৱারী থাদা নুপী ২ শিখি, নুপী ২ না ফম্লানবীখি অমদি নুপী ২ না য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙখিদে। মীয়ামগী খোঙজংদা নুপী অহুম অশোক-অপন নংখি। নুপী অনীনা ফুবদগী শোকখি। সাইবর ক্রাইম কেসতা নুপী অহুম ফাখি।

ফেব্রুৱারী থাদনা নুপী অনী শিখি, নুপী অনীনা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিখি, অমনা সুইসাইদ তৌখি। থা অসিদা নুপী অহুম ফম্লানবগী কেস লৈখি। নুপী ১ না হাৎনবা হোৎনরমখি। নুপী ১ না ফম্লান্নবা হোৎনরমখি। থা অসিদা নুপী ৫ মীসিং রিপোর্ট লৈখি। মীয়ামগী খোঙজংদা নুপী ২৯ লোম অশোক-অপন নংখি। অদুগা ফুবগী থৌদোক্তা নুপী মরি শোকখি। নুপী ১ না মণিপুরগী মপান্দা পুননবা হোৎনরম্বদগী কনবা ঙমখি। থা অসিগী সাইবর ক্রাইমগী কেস অমা লৌখৎখি হায়রি।

হৌখিবা মার্চ থাদা নুপী ২ হাৎখি। অদুগা ১ না সুইসাইদ তৌখি। ফম্লানবগী কেসতা ৩ লৈখি। মীসিং রিপোর্টতা নুপী ৬ লৈখি। ফুবগী থৌদোক্তা নুপী ১২ অশোক-অপন নংখি। নুপী ১ মণিপুরগী মপান্দা পুননবা হোৎনরম্বদগী কনবা ঙমখি। সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই অহুম ফাখি।

এপ্রিল থাদনা চিংনবা মীশিদা নুপী ২ শিখি। সুইসাইদ কেসতনা ১, ফম্লানবগী থৌদোক্তা ৪, মীসিং রিপোর্টতা ৭, এসোল্টতা ১ নি।

মে থাদনা নুপী অনীগী অশিবা হকচাং ফংখি। চিংনবা মীশিদা ৬, সুইসাইদতা নুপী ৪, ফম্লানবগী থৌদোক্তা নুপী ৬, নুপী ২ হাৎনবা হোৎনরমখি। থা অসিদা নুপী ৭ মাংবগী থৌদোক লৈখি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা নুপী ৬ ফুরম্বগী কেস লৈখি। সাইবর ক্রাইমগী কেসতা ২ লৈখি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা পল্লি।

জুন থাদা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক্তুনা নুপী ২ শিখি অদুগা নুপী ৬ চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরমখি। সুইসাইদ কেসতা নুপী ৪ লৈখি। থা অসিদা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক্তা নুপী ৩ ফম্লানবগী কেস লৈখি। অদুগা তোঙান-তোঙানবা মফমদা নুপী ৫ মাংবগী রিপোর্ট লৈখি। নুপী ৬ না ফুরম্বগী থৌদোক লৈখি। থা অসিদা সাইবর ক্রাইম কেসতা নুপী ২ ফাগৎখি হায়রি।।

থা অসিদা নুপী-অঙাংদা নমথাক তৌরম্বগী কেস ১, মোলেষ্ট তৌরম্বগী কেস ১, ওৎ-নৈবগী থৌদোক্তা ১ লৈখিসু হায়রি।

জুলাই থাদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা নুপী ৪ শিবগী থৌদোক লৈখি। অদুগা নুপী অমনা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরমখি। নুপী ২ না সুইসাইদ তৌবগী থৌদোক লৈখি। ফম্লানবগী থৌদোক্তা নুপী ২ অদুগা নুপী ১না ফম্লান্নবা হোৎনরমখি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা নুপী ৫ মাংখিবগী রিপোর্ট লৈখি। থা অসিদা নুপী ১ ফুরম্বগী থৌদোক লৈখি। অদুগা নুপী ২ না মণিপুরগী মপান লমদা পুনবা হোৎনরম্বদগী কনবা ঙমখি।

থা অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা সাইবর ক্রাইমগী কেস ৮ লোম লৈখি। নুপীদা নমথাক তৌরম্বগী কেস অমসু লৌখৎখি অদুগা মোলেষ্ট তৌরম্বগী থৌদোক অমসু লৈখি। লোয়ননা থা অসিদা নুপী ২ না ফারগা পুখিবগী থৌদোক লৈখি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।


## /Diesel Auto য়োঞ্জরি

**Diesel Auto** অমা **Permit** কা কোন্ননা অথুবদা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

**Contact : 8730831364**
**9862872491**

HL-P/2626/17

## /ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

অথুবা অমগীদমক থাংমৈবন্দ হিজম লৈকায়দা লৈবা ফুট **23x48** পাক চাউবা সড়ক্কা তাইনবদা লৈবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/2618/14,15ß17 **Contact : 8794277590**

## FOR ARMY & PARA MILITARY RECRUITMENTS
### Pre-Training cum Selection (6th Batch)

=> Pre Training and Guidance (in army camps) is started for the limited seat of 30 candidates only.

=> For the Army Recruitment in 3rd Oct. 2017 in Manipur

**Eligibility** : VIII / X / XII/ Graduate (FIRST COME FIRST CHANCE)

**Trades** :
Technical, Clerk, General Duty, Tradesmen

**Date of Interview cum councelling** : **18th August, 2017**
**Last date of form submission** : **17th Aug, 2017**


Application form is available in the office and we provide free counselling.

*For further information please visit :*
**ELITE ENTREPRENEURS**
*# 9615288419*

HL-P/2308/14,15,17

## /মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/3974/28/06-28/07

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
### /NOTICE
Dated 07/08/2017

**No. IMC/96/Ro/N-T/Adv/2016-17/News Approval -** অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Chakikom/Shed No. 5, Licence No. 125 শ্রীমতি Mayanglambam Tombi Devi w/o M. Kala Singh of Kwakeithel Leimakhujam Leikai গী মিংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রীমতি Mayanglambam (o) Sumila Devi w/o M. Nisikanta Singh Kwakeithel Leimakhujam Leikai গী মীংদা Licence কী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licence কী মিং ওনখ্রগনি।

*Sd/-* **Revenue Officer**
Imphal Municipal Corporation

HL-P/2625/17

## /URGENTLY REQUIRED

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Asst. Manager | 02 (F/M) | Graduate | 7000-25000 |
| 2. | Receptionist | 02 (F) | XII & Above | 5000-10000 |
| 3. | Accountant | 02 (M/F) | XII & Above | 5000-15000 |
| 4. | L.I. | 02 (M/F) | XII Above | 5000-15000 |
| 5. | R.O. | 08 (M/F) | X Above | 5000-10000 |

**Date of Form Submission : 21/08/2017**
**Date of Interview : 23/08/2017**
***For Information please Contact : 8787799705*** **Sd/- Branch Office**
T.F.P. & A.M., MU 1st Gate Canchipur.

HL-B/4072./10-18 (Alt.)




| Sl | Vacancies | Dep | Quali | Salary in Rs- | Location |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Deputy Maanager | (Banking) | Graduation | 34,000-62,000 | Imphal |
| 2. | Part Time Sub Staff | (--do--) | 10th & + | 14,000 -28,500 | -do- |
| 3. | Loader & Trolly Boys | ( Airlines) | VIII & Above | 13,000-34,000 | North East |
| 4. | Ground Staff, Ticketing | (--do--) | X & XII + | 30,000-Starting | -do- |
| 5. | Trainee Cabin Crew | (--do--) | XII-above | 35,000- 62,000 | -do- |
| 6. | Office Assistant | (Medical) | X or Equi | 12300 -34,000 | -do- |
| 7. | Staff Nurse Grade -1 | (--do--) | B.Sc Nursing | 29,000-34,800 | -do- |
| 8. | G.P.Rating , Seaman | (M.Navy) | X-Grad | 30,000-60,000 | O-India |
| 9. | Deck Cadet , D.N.S Cadet | (-do-) | XII & Above | 60,000- 1.6 Lac | -do- |
| 10. | Ship Hostess | (--do--) | XII & Above | 46,000- 1.21Lac | -do- |
| 11. | General Worker | ( Dubai) | X - Graduate | 86,000- 1.4 Lac | Dubai |
| 12. | Driver (Heavy) | (-do) | -do- | 68,000- 85,000 | --do-- |
| 13. | Office Reception / Field Staff | | --do-- | 7000-12,300 | Imphal |
| 14. | Computer Operator / D.S.T Staff | | -do- | -do- | -do- |
| 15. | Asst-Manager / Area Manager | | XII-Above | 8500-17,400 | -do- |
| 16. | Development Officer | | Graduation | 14,000- 23,000 | -do- |
| 17. | Driver for Ambulance | | Valid Doc | 8000-14,000 | -do- |
| 18. | Field Staff / Field Executive | | X-XII | --Do-- | -do- |
| 19. | Tele-Caller Staff for Female | | XII | 12,000-16200 | -do- |

20. PART TIME JOB AT HOME
i) Daily SMS Sending Job ii) Sunday SMS Job
iii) Field Staff iv) Data- Entry Job
Monthly Salary :- Rs-6000 to 16200. Qua - VIII & Above Age -No Bar.

FOR DETAIL CONTACT US AT-
LEIMA JOB GUIDELINE SERVICE, KWAKEITHEL BAZAR ,IMPHAL
HELPLINE NO- 8974975288 OFFICE HOUR- 10:00AM TO 03:00 PM.

HL-B/4053/3 to 30 Sept. (alt.)

## /ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card of Class XI Examination, bearing Roll No. 19448 of 2017 issued by COHSEM on the way between Kwakeithel Mayaikoibi and Pishumthong on 18/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Lander Oinam**
Pishumthong, ☎ 8258059794

HL-P/2543/17

## /MARKSHEET LOST

I have lost my Marksheet (Arts) of Pre-University Examination, bearing Roll No. 1513 of 1981 issued by Manipur University on the way between Bishnupur and Nambol on 05/08/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Chabungbam Bhama Devi**
Kwakeithel Thounaojam Leikai, ☎ 8014496837

HL-P/2546/17

## OFFICE OF THE CAF & PD LABOURERS' WELFARE ASSOCIATION
**H.O.: Sangaiprou, P.O. Imphal-795001, P.S. Lamphel, I/W, Manipur**
**Regd. No. 775 of 2012 (654 of 2008) #: 8575643114, 9774466152**

### /NOTICE

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ৱাফম খরদং খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা ওগষ্টকী তাং ১৯, ২০১৭ ইং, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা CAF&PD, Godown Campus তা লৈরিবা Labour Rest House তা CAF&PD Labours' Welfare Assn. গী য়াম্না মরু ওইবা Awareness Programme অমা পাঙথোকচরগনি। হায়রিবা Awareness Programme অসি মরু ওইনা 7th August তগী 11th Aug, 2017 ফাওবা V.V. Giri National Labour Institute, NOIDA দা পাঙথোকখিবা Training Programme অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকচগদবনি। Trade Union (শিংগী) Leader শিংগী Training Programme অদুদা Fundamental of Labour Laws for Trade Unions Leaders from North Eastern States হায়বা Topic তা পাঙথোকখিবনি। পাঙথোক্কদবা Awareness Programme অসিদা মরু ওইনা এসোসিএসন অমনা করি তৌবা য়াই অমদি Contract Labour অমনা করি করি Right লৈ লোয়ননা Government না করি কান্নবা পীরি হায়বা হীরমদা পাঙথোকচগনি। মরম অদুনা Member খূদিংমক্না মতম চানা লাকপীনবা হায়জরি।

**Note :** কনাগুম্বা Member শিংনা মরম চাদনা Programme অসি মতম চানা য়াওবা ঙমদ্রবদি এসোসিএসন অসিনা Fine ওইনা লুপা ৫০০ থিহনগনি।

*Sd/-* **Romendrajit Moirangcha**
Gen. Secy, CAF & PDL WA

HL-P/2551/17

## /R.C. BOOK LOST

I have lost my R.C. Book of Bolero (Red colour) bearing Regn. No. MN 07D-1561 issued by DTO Ukhrul on the way between Yairipok and Imphal on 07/08/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Y. Rojesh**
Uripok Achom Leikai,
☎ 8575421359, 8794777369

HL-P/2544/17

## /থবক্কী পাউ

**NO DEPOSIT REQUIRED**

Class X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduation তম্লিবা কেন্দিদেটশিংগী তোঙান-তোঙানবা পোষ্টকীদমক দরখাষ্ট কৌজরি। থবক অসি মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তম্লিবা অমদি থবক থিবীরিবা মীওইশিংনা APPLY তৌবা য়াগনি।

**No. of Vacancy : 47 Male and 30 Female**
**Income : 10,000/- to 30,000/- (P.M.)**
**Visiting Hour : 11:30 a.m. to 3:00 p.m.**

অথাপ্পশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Apply তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-Data পুবীরক্লগা ওফিসতা লাক্তুনা তানবীয়ু।

**Contact : *8414834122***
***8014170652***

HL-P/2135/17,21,23&25

## URGENT JOB VACANCY
**GOVT. OF MANIPUR**
**REGD. NO. 14/006/21/06926**

| | | | |
|---|---|---|---|
| **URGENT POST VACANCY OF IMPHAL** | | | |
| 1 | Recovery Officer, Accountant | XII | 5000- Above |
| 2 | Reception, Front Office (Thoubal) | X | 4500- Above |
| 3 | Nurse(Male/Female) | --- | 4500- Above |
| 4 | Marketing Executive (Google) | XII,Graduate | 10000-18000 |
| 5 | Sales Girl/Boy (Mall) | XII | 6000-10000 |
| 6 | Security(mall) | VIII | 8000- Above |
| 7 | Sales Girl/Boy (Showroom) | X | 5000-8000 |
| 8 | Security, Driver, Chowkidar | VIII | 5500- Above |
| 9 | Gunman ,Supervisor | VIII | 8000- Above |
| **AIRPORT POST VACANCY FOR IMPHAL, DELHI & GUWAHATI (Direct Placement Without Training)** | | | |
| 1 | Cargo Executive, CSA | Graduate | 18000- Above |
| 2 | Ground Staff, Air Ticketing | XII | 12000-18000 |
| 3 | Loader, Cleaner & Driver | VIII | 8000- Above |
| **STAFF FOR BANKING SECTOR FOR IMPHAL & NORTH EAST REGION** | | | |
| 1 | Account Opening, B.D.E | Graduate | 14000-20000 |
| 2 | Sitting Staff, Operational Staff | Graduate | 18000- Above |
| 3 | Loan Officer, CSP | XII-Above | 10000-Above |
| 4 | Telle Caller, Sale Executive | XII-Above | 8000-15000 |

**# SPECIAL GUIDELINE FOR ARMY RECUITMENT FOR 100% SUCCESS** (Tradesman, G.D, Technical).

**# Earn Extra Income upto 15000/- per month.**
(Student, Housewife, Employed, Unemployed etc) can also apply,

**LAST SUBMISSION : 23/08/2017** **INTERVIEW : 24/08/2017**


**# 7421843411**
**# 9774745268**
**RIVALRY GUIDANCE CENTRE**
Sagolband Thangapat, Near UBI ATM

HL-P/2528/13,15,17,19,20,21,22

## ADVANCED COACHING INSTITUTE
**Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking** Regd. No. : 729
*The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.*

### REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)
### Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)



2nd Position (Sc.2017) **R.K. Babysana** 3rd Position(Sc.2017) **VICTORIA**

Only 30 seats each section separated CBSE & COHSEM batches

2nd Position (Arts) **Guneshori** 3rd Position(Arts) **Dholenchandra** 8th Position(Arts) **Pebam**

***Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105***

HL-B/4027/1-20 Aug.

## KANGLEIPAK COMPUTECH (L & B GROUP)
**Singjamei Thokchom Leikai, Imphal West, Near SBI Bank, Manipur-795001**
**Deals in : COMPUTERS, COMPUTER ACCESSORIES, LAPTOPS, CCTV, PC GAMES, PRINTERS**

**Sales & Service + CCTV Installation**
Cheap & Best



Contact No. **+91 7085163678, 0385-2441628**
e-mail : **kangleipakcomputech@gmail.com**
Cheap & Best

**LENOVO ASUS ACER HP TOSHIBA SONY SAMSUNG DELL**

HL-P/2533/14to13 Sept.

## GOLDEN WELFARE INVESTMENT
**Wahengbam Leikai, Imphal, Near Yumjao Lairembi**
**Regd. No. 1714/2011 - Under I.P.A.. 1932 of 18th Aug, 2011** **Licence No. 71/M/BML/2011**

## LOAN পীজরি

**Imphal East, West, Bishnupur, Thoubal** গী অকোয়বদা লৈবা **Government** কী **Employee** অমদি **Pensioner** শিংগী ওইনা অরাইবা মওংদা **Service and Pension Loan** পীজরি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক ঙসিমক ওফিসতা লেঙবীরক্লগা তানবীয়ু।

**Sd/- Ch. Jiban Singh**
**Managing Director**

HL-P/2537/15to19